**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী মীয়ামদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবা, য়ুমদা বোম থমজিনদুনা কিহনবগী থৌওং লেপ্পীনবা মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

২) নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং ঙসিদগী চেনবা লেপখ্রে।

৩) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হয়েং পুথোক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন বজেৎ অসিনা লৈবাক অসিগী লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিগী মাইকৈ লেপকনি।
অমসুং

৫) ইকোনোমিক সর্ভে ২০২৩-২৪ গী মতুংইন্না শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা ভারতকী জি.দি.পি চাদা ৬.৫ দগী ৭ ফাওবদা হেনগৎলবা য়াই হায়না পারি হায়না শেল থুম মন্ত্রি নিরামালা সিতারমননা সংসদতা ফোংদোকখ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ রাজ্য অসিগী মীয়ামদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবা, য়ুমদা বোম থমজিনদুনা কিহনবগী থৌওং কয়া তত্তনা থোক্লিবা অসিবু

য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা অকি অখণ্ড পোকহনবা থৌওংশিং অসি তোকপীনবা মহুদ, রুরেল দিভলপমেন্ট অমদি পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ফাইনান্স কোওপরেতিভ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিৎ সোসাইতি লিমিতেদকী ৩১ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- মমাং চহিগী মে থাদগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মপুং ফাবা ৱারোইশিন ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি । ইরাং অসি হৌরকপদা লমদম অসিগী মীয়ামা য়েলহৌ ফুরুপকী মথক্তা লান তৌরকপা অমদি লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা লান্থেংনরিবা ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারশিংদা চাউনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা মতম খরা অসিদা মীয়ামা ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারশিংদা মতেং পাংবগী চাং হন্থরক্লবা খল্লি। মন্ত্রিনা হায়- ঙসি রাজ্য অসিগী মীয়ামা অৱাবা কয়া মায়োকরিঙৈগী চৈরক্তা মীয়ামদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌশিন্দুনা অৱাবা হেন্না পীবগী থবক তৌবীগনু।

মহাকা হায়- নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংনা সরকারনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা অমদি লোন্নচিংবগী মতেং মীয়ামদা পীরি। অদুবু বেঙ্কশিং অসিনা য়ৌশিনবা ঙমদবা কয়া লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা মীয়ামগী মতেং পাংলি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুর জিলা অনিগী লোন্নবদা লৈরিবা তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা য়ুম ২০ লোম হেন্না সরকারনা শেল পুথোক্তুনা য়ুমশিং শেমজিন শাজিনদুনা লাঞ্জেন্নখিবশিং হঞ্জিনহল্লকবা থৌরাং পায়খৎলি। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা তোরবুং গ্রাম পাঞ্চায়টকী ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার ফোর্স (ভি.ভি.এফ)কী একজিক্যুতিভ মেম্বর অমনা হায়-সরকারনা হোৎনবদগী তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়টকী এরিয়াদা তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্লি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা সোসিয়েল মিদিয়াদা মফম অসিগী ফিভম খঙদনা মীওই খরনা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা হৌজিক রিলিফ

কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা তোরবুং গ্রাম পাঞ্চায়টকী মীওইশিংদা চমম বা পোকহল্লিবা অসি তৌবীগনু। মসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। লোয়ননা একজিক্যুতিভ মেম্বর অদুনা- কনাগুম্বনা করিগুম্বা অমা হায়নিংবা লৈরবদি মফম অসিগী অশেংবা অচুম্বা খঙনা হায়বীয়ু অমদি তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়টকী ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারশিংগা তান্নবীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

সিপিআই (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা থবক পায়খৎনবগী মতাংদা সংসদতা পুখৎনবগীদমক হোৎনরগনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা হায়রি।

দল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙসিদগী ফম্বা হৌখ্রবা সংসদতা সি.পি.আইগী নেসনেল কাউন্সিলগী ৱারেপ মতুংইন্না মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুরকবা দল অসিগী এম.পিশিংনা ৱাফম পুখৎলগনি। লোয়ননা রিছোর্স মতিক চানা লৈতবা, লেন্দলোগ অমদি বোর্দর ষ্টেট- মণিপুরবু মমাংদা পীরমখিবা স্পেসিয়েল কেটগোরি ষ্টেটসতা হঞ্জিনহন্নবসু তকশিল্লগনি। জ্লাই ৩১ দগী ফমগদৌরিবা মণিপুর বিধান সভা মীফমদসু রাজ্য অসিগী ৱাথোক্কী অখন্নবা এজেন্দা হাপ্তুনা নিংথিনা খন্ন-নৈনবীয়ু অমসুং মমাংগী রাজ্য বিধান সভা মীফম অনিদা শরুক য়াখিদ্রবা মন্ত্রি অনি য়াওনা এম.এল.এ ১০ হন্দক্কী মীফম অসিদা শুকশোই শোইদনা য়াওহনবীনবসু চেরোল অসিনা হায়রি।

চুরাচান্দপুরগী খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকাইগী য়ুমশিংবু এক্সপ্লোসিভ বোম শিজিন্নদুনা থুগাইখিববু দল অসিনা কন্না য়ানিংদবসু ফোংদোক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ঙসিদগী পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং চেনবা লেপখ্রে। ওল জিরিবাম রোড ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়ন, ওইনামলোং দ্রাইভরস য়ুনিয়ন, হিল এরিয়াজ দ্রাইভরস য়ুনিয়ন- খোংসাং অমদি লম্বী অসিগা মরী লৈনবা ল্প কয়াগা পুন্না খন্নরবা

মতুংদা ঙসিদগী হৌরগা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি চেনবা লেপ্পগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি হায়না ওল জিরিবাম রোড ট্রান্সপোর্ট ড্রাইভরস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এন. সদানন্দনা হায়রি।

পাউমীশিংগা ঙসি উন্নবদা মহাকা হায়- হাইব্রে অসিগী মরুওইবা মফমশিং- এলেভেন মাইল, নুংকাউ ভিলেজ, কৈফুনদাই, ওইনামলোং, অমদি বরাক্কগী কন্বীরোল য়ৌবা মফমশিংদা লম্বীগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপনা পোৎ চৈ পুবা ত্রকশিংনা চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। মসিদসু নত্তনা করিগুম্বা মতমদা সেক্যুরিতিগী খুদোংচাদবা মফমদসু গাড়িশিং লেপ্পা য়াওরকপনা ড্রাইভরশিংগী পুন্সিদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লে। মরম অসিদগী নুমিৎ হুমি গাড়ি চেনদনবগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

শ্রী সদানন্দনা মখা তানা হায়- লম্বী অসিদা থবক শুরিবা এস্কাভেতরশিং অসি লম্বীগী ফিভম ফত্তবদগী পনদুনা লৈবা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং ইন্থোক ইনশিন তৌরিঙৈদা লম্বী শেম্বদা খুমাং চাওশিনবা ঙমদ্রে। হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু মহাকা আপীল তৌরকখি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক জিরিবামদা এল.পি.জি পুবা গাড়ি ৩৪, ওইল টেঙ্কর ৩০, ওক্সিজেন সিল্লিন্দর পুবা গাড়ি অমা অমদি অতৈ পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১২ পুন্না গাড়ি ১১৭ পন্দুনা লৈরি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকে সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুমি চুপা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই। সেন্তর অসিনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই। অদুগা হয়েংগী ওইনা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, চরান্দপুর অমদি ফোরজোলদা অখাক অরাউ য়াওবা নোং চুগনি হায়রি। অমরোমদা, সেনাপাতিদা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তোরবুং শাবল মমাং লৈকাইদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

বিষ্ণুপুরগী এস.পিগী লীচিং মখাদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো, ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসন, ১৬ শুবা কুমাউন রেজিমেন্ট অমদি ৭১ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়নগী ই-কম্পনিগী কাংবুনা পুন্না চত্থখিবা থিবা হুম্বদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, টু ইঞ্চ মোর্তার সেল অনি, ফিফতিৱান মোর্তার সেল অমা, দিটোনেটর ৪ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অসি ফাগৎখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে।

এআর (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী সংসক খুল্লেন ভিলেজ মনাক্তা ঙসি বোল্লেরো পিকঅপ গাড়ি অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী গাড়ি অদুদা তোংলকপা মীওই অহুম অশোক অপন নংখ্রে। মীওইশিং অদুগী মনুংদা চহি নৌরিবা অঙাং অমা য়াওরি। অশোকপশিং অদু অসাম রাইফলসকী কাংবুনা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা সংসক বত্তাল্লিয়নগী য়ুনিত হোস্পিতাল লায়েংলি।

দিএফও (এল)ঃ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি এন.সি.সি কেদেটশিংনা শিন দুনা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টতা ঙসি পাক শন্না উ চারা থাখ্রে। ৭৫ শুবা বন মহোৎসব থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা উ চারা লিশিং ১ রোম থাখি। দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার- গনেশ, এন.সি.সি ফোরতিন বত্তাল্লিয়ন মণিপুরগী মেজর রাজকুমার, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার সদর ইষ্ট- এন. জোবিত মৈতৈ অমদি কোইরেঙ্গৈ বিট ওফিসকী লিচিং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং, ষ্টাফশিং অমদি এন.সি.সি কেদেটশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না কেক্রু আইদিয়েল প্রোগ্রেসিপ কমিতি অমসুং কেক্রু য়ারি ক্লব য়াইরিপোক্কা খুৎশমদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক খ্বারোক ফোরেষ্ট রেঞ্জগী মনুং চনবা খ্বারোক চীংদা উহৈ পানবা ড য়াওনা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে। থৌরম অসিসু ৭৫ শুবা বন মহোৎসব অমদি

মণিপুর সরকারগী মাস ট্রি প্লান্টেসন কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

চেং (এল)ঃ নেসনেল ফুড সেক্যুরিতি এক্ট ২০২৩ গী মখাদা সরকারনা পীবা চেং ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী ওইনা থা ৮ ফংলক্ত্রিবা অসি ফংহনবীনবা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সিদা কেন্দ্র অদুগী মীয়ামা থোমজিনখ্রে। তুংদা জিলা অসিগী এ.দি.এমনা হয়েংদগী হৌনা চেং য়েনবা হৌরগনি হায়বগী থাজবা থম্লকখ্রে হায়রি।

খোঙজং অদুদা য়াওবা মীওইশিংনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না মমাং চহিগী নবেম্বর থাদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা কেন্দ্র অসিগী বেনিফিসরিশিংদা ফংফম থোকপা চেং ফংদনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এগী মখাদা লৈরিবা এজেন্ট, সব-এজেন্ট অমদি সোপ কিপ্পরশিংগী চপ চাবা লিষ্ট অমা ঙসি ফাওবা লাউথোক্তবনা মরম ওইদুনা মীয়ামা হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি উন্নবা পোরোমপাৎতা লাকখিবনি। দি.সি উন্নবগী তাঞ্জা ফংদবদগী এ.দি.এমগা উন্নবদা হয়েংদগী চেং য়েনবা হৌরগনি হায়না থাজবা পীরক্লে। অদুমকপু এজেন্টশিংগী ওইবা চপ চাবা ৱাফমদি থমলক্ত্রি হায়রি।

প্রোটেষ্ট (এল)ঃ হাওরৈবী মখা লৈকাই হাই মাদ্রাসাগী মহৈরোইশিংনা মাদ্রাসা অসিগী ওজা অহুম ত্রান্সফর তৌবা য়ারোই হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী মহৈরোই অমনা হায়- হাওরৈবী মখা লৈকাই হাই মাদ্রাসা অসি ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবা লৈবা স্কুল অমনি। পুন্না ওজা ২২ লৈগদবা মাদ্রাসা অসিদা অসি শুপতগী ওজা ১৩ খক্তমক লৈদুনা ওজা ৱাৎপগী অৱাবা মায়োকরি। অদুবু চৈরক অসিদা স্কুল অসিগী ওজা অহুম ত্রান্সফর তৌবগী চে থোরকপা অসি লাইবক থিবনি। ত্রান্সফর ওর্দর অসি অথুবদা ককপীয়ু। খোঙজং অদুদা ওজা ত্রান্সফর তৌবা য়ানিংদে, মহৈরোইশিংগী কেরিয়র মাংনবা শিনবীগনু, ত্রান্সফর ওর্দর খুদক্তা কক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল কলেজনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা হৌখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার এম. বিনা দেবী, থৌবাল কলেজ টিচরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদন্টে এস. ইবোয়াইমা অমদি ওজা কয়ানা শরুক য়াখি।

ঈশৈ (এল)ঃ অসামগী হোজাইদগী লাইশোম গুলাপনা ইবা লৈবাক নিংবা ঈশৈ ফোংবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। ঈশৈশিং অসি হৈস্নাম রঘুমনিনা শুর পানবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হয়েং পুথোক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন বজেৎ অসিনা লৈবাক অসিগী লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিগী মাইকৈ লেপকনি অমদি বিক্সিত ভারতকী মঙলান মঙফাওননবগী য়ুম্ফম ওইরগনি।

বজেটকী সেসনগী মাংওইননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সংসদকী মপানদা পাউমীশিংদা হায়- হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মীয়ামা মখোয়গী অপান্বা নিংথিনা ফোংদোকখ্রে। মরম অদুনা রাজনীতি দল খুদিংমকা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিদা লৈবাক অসি খুমাং চাওশিন্ননবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

বিরোধি দলশিংনা মখোয়গী অশোইবা অরানবশিং লোৎশিন্নবগীদমক সংসদকী মতম মাংহনদুনা অনেম্বা থাক্কী রাজনীতি তৌরি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। মমাংগী সংসদ মীফমদা অপনবা লৈখিবা অদুগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- বিরোধি দলশিংনা সংসদতা মহাক্কী খোঞ্জেলবু নমথনবা হোৎনখিবদু গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদা তৌফম থোক্তবা থৌওংনি। রাজনীতি দল খুদিংদমকা মখোয় মখোয়গী দলগী কান্নবতমক য়েংলগা থবক তৌবগী মহুৎ লৈবাক অসিগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌশি। সংসদ অসি রাজনীতি দলশিংগী নত্তে, মসি লৈবাক অসিগীনি, সংসদ সদস্যশিংগী নত্তে, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই কোতি ১৪০ অসিগীনি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

নিরমালা ঃ সংসদকী বজেৎ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা শেল থুম মন্ত্রি নিরামালা সিতারমননা লোক সভাদা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোকখি। ইকোনোমিক সর্ভে ২০২৩-২৪ না শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি.দি.পি) চাদা ৬.৫ দগী ৭ ফাওবদা হেনগৎলবা য়াই।

সর্ভে অদুগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী লল্লোন ঈতিক অমদি সার্ভিস এক্সপোর্টস সেক্তরদা জি.দি.পি হেনগৎলবা য়াই হায়না পানরি। মেট দিপার্টমেন্টনা কুমশি চহি অসিদা নোং চাং নাইনা তাগনি অমদি খা নোংচুপলোমদগী হৌরকপা কুমগী নোংনা লৌউ শিংউগী লমদা চাউনা কান্নবা পীগনি হায়বনা লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্তা চাউনা কান্নবা পীবগী থাজবা লৈ।

মহাকা হায়- পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভেগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা চহি ১৫ মথক্কী মীওইশিং থবক ফংদবগী চাং মমাং চহিশিংগা য়েংনবদা শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে। মসিগা লোয়ননা নুপীশিংনা থবক তৌবগী চাং ২০১৭-১৮ চাদা ২৩.৩ ওইরম্বা অদু ২০২২-২৩ দা চাদা ৩৭ তা হেনগৎলে। শেনবা চহি ২০২২-২৩ দা কোবিদ নাইন্তিন লাইচৎ অমসুং মালেমগী লৈবাক খরদা রাজনীতিগী চরাংনবা লৈখিবনা লল্লোন ঈতিক্কী সেক্তরদা অয়েৎপা লৈখিবনা মালেমদা ইনফ্লেসন চাং ৱাংখি। লোয়ননা মালেমগী মফম কয়াদা ইরাং থোরকপা অমদি নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা চীঞাক্কী মমলদা চাউনা চৈথেং পীরক্তুনা ভারত্তা কঞ্জুমরগী পোখোকশিং অমসুং সার্ভিসকী লমদা মমল হেনগৎলকখি।

অদুমওইনমক, শেনবা চহি ২০২৪ দা কেন্দ্র সরকারনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবদগী রিজার্ভ বেঙ্কনা শেল থুমগী ফিভম ফনা থমদুনা রিটেল ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৫.৪ দা য়ৌহনবা ঙমখি। চেরোল অদুনা হায়- ইং কুমজা ২০২৩ গী ওগষ্টতা দোমেষ্টিক এল.পি.জি সিল্লিন্দর অমদা লুপা ২০০ হন্থখি। মসিগা চপ মান্ননা চহি অসিগী মার্চ ২৪ দা কেন্দ্র সরকারনা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল লিটর অমদা লুপা অনি অনি হন্থখি হায়না ইকোনোমিক সর্ভে অদুদা পল্লি।

শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী ওইবা য়ুনিয়ন বজেৎ হয়েং সভাদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারমননা পুথোক্কনি। ঙসিদগী হৌখিবা সংসদকী মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চখুদুনা পুন্না সিত্তিং ১৬ লৈগনি। মীফম অসিদা সরকারনা অনৌবা বিল তরুক পুথোকবা থৌরাং তৌরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- দিজাস্তর মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল, দা বোইলরস বিল, দা ভারত্তিয়া বাইয়ুয়ান বিধায়ক, দা কোফি (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিল অমসুং দা রবর (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিলনি।

অমরোমদা, সংসদতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ইকোনোমিক সর্ভে পুথোকখ্রবা মতুং চীফ ইকোনোমিক এদভাইজা ডাঃ ভি. আনন্ট নাগেশ্বরনগা লোয়ননা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈবাক অসিনা বিক্সিত ভারত অমা ওইননবগী চংশিল্লিবা লম্বী অসিদা সেক্তর খুদিংমকা অমত্তা ওইনা চংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না শেল থুম মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চখুরকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.আর.দি.সি. ককচিংনা আই.ৱাই.এ ককচিংবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এফ.সি ককচিংনা দব্লিউ.এ.এল.ৱাই.দি.এবু ৱাবগাইবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

বেদমিন্টন (এল)ঃ ৬৮ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ অমদি ৪১ শুবা দ য়োনেক্স সন রাইজ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট হয়েংদগী দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পস মনাক্তা লৈবা এম.বি.এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ, হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন অমদি সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনচিংবা শরুক য়াগনি।

কিক বোক্সিং (এল)ঃ থা অসিগী ২৫ দগী ২৮ ফাওবা রাজস্থানগী জয়পুরদা পাঙথোক্কদবা কেদেট, জ্নিয়র, সেনিয়র ৱাকো ইন্দিয়া নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর কিক বোক্সিং টিমগী শান্নরোই ৬১ অমসুং ওফিসিয়েলশিং হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মে ১৯ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইরাংখোম শ্যামাশখি গার্লস হাইস্কুলদা পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা শান্নরোইশিং অদু খনগৎখিবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী সকপাউ খুলদা খুল অদুগী খুঞ্জাশিংগা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে।

------